বুন্দেসলীগা ২০১৯-২০

# বেয়র্ন ম্যুনিক ফুটবোল ক্লবনা বুন্দেসলিগাগী টাইটল চহী নিপাল থংনা-থংননা লৌবা ঙমখ্রে



বর্লিন, জুন ১৭ (এজেন্সী):
থা অহুমলোম কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা অথিংবা লাকখিবদগী শান্নবা লেপ্লুরবা জর্মনিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবকী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী টাইটল চহী নিপাল থংনা-থংননা বেয়র্ন ম্যুনিক ফুটবোল ক্লবনা লৌবা ঙমখ্রে।

কুমজা ১৯৬৩দা বুন্দেসলিগা হৌদোকখ্রবা মতুং বেয়র্ন ম্যুনিক ফুটবোল ক্লবনা কুমজা ২০১৯-২০গী টাইটল লৌখিবা অসি থারগা ক্লব অসিগী পুৱারীদা লীগ অসিগী টাইটল ২৯লক লৌবা ঙম্লি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা বুন্দেসলিগাগী ৩২শুবা রাউন্দদা বেয়র্ন ম্যুনিক ফুটবোল ক্লবনা ৱার্দর ব্রিমেনগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্কুনা লীগ অসিগী মখা তাবা রাউন্দ শান্নবা লোইদ্রবসু খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী পোইন্ট ১০ হেনখিবা মরম্না মখা তারকপা রাউন্দশিংদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা মায় পাক্লবসু পোইন্ট হাইগৎপা ঙমলোইদবগী মরমনা বেয়র্ন ম্যুনিক্না টাইটল অদু মাঙজৌননা লৌবা ঙমখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈরক্লবা মতুং হাফ অদু লোইগদবা মিনট ২ ৱাংলিঙৈদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী পোলেন্দ মচা রোবার্ট লিৱানদোস্কিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফতা বুন্দেসলিগাগী পোইন্ট টেবলদা মমৈদা লৈরিবা ৱার্দর ব্রিমেনগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু বেয়র্ন ম্যুনিক্না চনখিবা অহানবা হাফকী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু লোইশিনখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা এফ সী য়ুনিয়ন বর্লিননা এস সী পাদরবোন ০৭পু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি।

মেচ অদুগী হৌরকপা মিনট ২৭ চঙশিল্লকপদা এফ সী য়ুনিয়ন বর্লিনগী মায়কৈদগী বেন জোলিনস্কিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা এস সী পাদরবোন ০৭পু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেচ অদুগী মখা তারকপা অনীশুবা হাফতা এস সী পাদরবোন ০৭কী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু অহানবা হাফতা এফ সী য়ুনিয়ন বর্লিননা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা টিম অদু মায়থীবা নংখি। এস সী পাদরবোন ০৭ বুন্দেসলিগাগী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bayern Munich | 32 | 24 | 4 | 4 | 93 | 31 | +62 | 76 |
| 2 | Borussia Dortmund | 31 | 20 | 6 | 5 | 82 | 35 | +47 | 66 |
| 3 | RB Leipzig | 31 | 17 | 11 | 3 | 77 | 32 | +45 | 62 |
| 4 | Borussia Monchen | 32 | 18 | 5 | 9 | 61 | 38 | +23 | 59 |
| 5 | Bayer Leverkusen | 31 | 17 | 6 | 8 | 57 | 41 | +16 | 57 |
| 6 | VfL Wolfsburg | 32 | 12 | 10 | 10 | 44 | 41 | +3 | 46 |
| 7 | SC Freiburg | 32 | 12 | 9 | 11 | 43 | 44 | −1 | 45 |
| 8 | Hoffenheim | 31 | 12 | 7 | 12 | 42 | 52 | −10 | 43 |
| 9 | Schalke 04 | 31 | 9 | 12 | 10 | 36 | 48 | −12 | 39 |
| 10 | Eintracht Frankfurt | 31 | 11 | 5 | 15 | 53 | 56 | −3 | 38 |
| 11 | Hertha BSC | 32 | 10 | 8 | 14 | 45 | 57 | −12 | 38 |
| 12 | Union Berlin | 32 | 11 | 5 | 16 | 38 | 54 | −16 | 38 |
| 13 | 1. FC Köln | 31 | 10 | 5 | 16 | 48 | 59 | −11 | 35 |
| 14 | FC Augsburg | 31 | 9 | 8 | 14 | 42 | 57 | −15 | 35 |
| 15 | Mainz 05 | 31 | 9 | 4 | 18 | 39 | 63 | −24 | 31 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 31 | 6 | 10 | 15 | 33 | 61 | −28 | 28 |
| 17 | Werder Bremen | 32 | 7 | 7 | 18 | 35 | 65 | −30 | 28 |
| 18 | SC Paderborn | 32 | 4 | 8 | 20 | 34 | 68 | −34 | 20 |

স্পেনিস ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

# বার্সেলোনানা লিগেন্স ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা লা লীগাগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙম্লি



মাদ্রিদ, জুন ১৭ (এজেন্সী):
মালেমগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা স্পেনগী লা লীগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ২৯শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা বার্সেলোনানা লীগেন্স ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা মখা তানা টেবলগী মাঙজিল থাবা ঙম্লি।

বার্সেলোনানা য়ূম্বু ওইদুনা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা কেম্প নৌদা ভাবক অমত্তা য়াওদনা শান্নখিবা লা লীগাগী ২৯শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা টুর্নামেন্ট অদুগী খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা লিগেন্সকা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতম অদুদা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংদনা লৈখি।

মেচকী ৪২শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী চথুখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জুনিয়র ফরপোনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট অন্সু ফাটিনা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ অদু লিগেন্সপু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপদা লিগেন্সকী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মথক্তা বার্সেলোনানা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু বার্সেলোনাগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী খুদোংচাবা অমত্তা পীদনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখা তানা টিম অদুনা চথুরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা বার্সেলোনাগী শান্নরোয় এন্টোইন গ্রিজমানগী শোট অদু পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে।

শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর লিওনেল মেসিনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অদুনা লিগেন্সপু ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মখা তারকপা মেচকী পুঙ্খায় ফাদ্রবা মতম অদুদা লিগেন্সকী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা শান্নরকখিবা বোলশিং অদু বার্সেলোনাগী দিফেন্দরশিংনা অরেম্বদা মাঙহন্দুনা মেচ অদু বার্সেলোনানা ২-০দা থোইখি।

মায় পাক্লবা বার্সেলোনা লা লীগাগী ২৯শুবা রাউন্দ অদুদা পোইন্ট ৬৪ ফংদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা রিএল মাদ্রিদতগী পোইন্ট ৫ হেন্দুনা লৈরি। মখা তারকপা মেচশিংদা রিএল মাদ্রিদনা মখোয়বু তান্নবা ঙম্বগী খুদোংচাবা অমদি লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Barcelona | 29 | 20 | 4 | 5 | 69 | 31 | +38 | 64 |
| 2 | Real Madrid | 28 | 17 | 8 | 3 | 52 | 20 | +32 | 59 |
| 3 | Sevilla | 29 | 14 | 9 | 6 | 42 | 30 | +12 | 51 |
| 4 | Real Sociedad | 28 | 14 | 5 | 9 | 46 | 34 | +12 | 47 |
| 5 | Getafe | 29 | 13 | 8 | 8 | 38 | 27 | +11 | 47 |
| 6 | Atlético Madrid | 28 | 11 | 13 | 4 | 32 | 22 | +10 | 46 |
| 7 | Villarreal | 29 | 13 | 5 | 11 | 46 | 38 | +8 | 44 |
| 8 | Valencia | 28 | 11 | 10 | 7 | 39 | 40 | −1 | 43 |
| 8 | Granada | 29 | 12 | 6 | 11 | 37 | 35 | +2 | 42 |
| 10 | Athletic Bilbao | 28 | 9 | 11 | 8 | 30 | 24 | +6 | 38 |
| 11 | Osasuna | 28 | 8 | 11 | 9 | 35 | 39 | −4 | 35 |
| 12 | Levante | 29 | 10 | 5 | 14 | 34 | 42 | −8 | 35 |
| 13 | Real Betis | 29 | 8 | 10 | 11 | 40 | 47 | −7 | 34 |
| 14 | Valladolid | 28 | 7 | 11 | 10 | 25 | 34 | −9 | 32 |
| 15 | Alavés | 28 | 8 | 8 | 12 | 29 | 39 | −10 | 32 |
| 16 | Eibar | 28 | 7 | 6 | 15 | 28 | 44 | −16 | 27 |
| 17 | Celta Vigo | 28 | 5 | 11 | 12 | 22 | 35 | −13 | 26 |
| 18 | Mallorca | 29 | 7 | 4 | 18 | 28 | 49 | −21 | 25 |
| 19 | Espanyol | 29 | 5 | 9 | 15 | 25 | 46 | −21 | 24 |
| 20 | Leganés | 29 | 5 | 8 | 16 | 22 | 43 | −21 | 23 |

কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# গ্বাংজু এফ সীনা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদপু মায়থীবা পীখ্রে, এফ সী সিওল সেংজু সেংমুগী মখূত্তা মায়থীহৌরে, দেগু এফ সী অমদি বুশান আইপার্ক ড্রো চৎখ্রে



সিওল, জুন ১৭ (এজেন্সী):
এসিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈবা অমা ওইরিবা কোরিয়ন লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তরেৎশুবা রাউন্দদা গ্বাংজু এফ সীনা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা এফ সী সিওল সেংজু সেংমুগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীবা নংখ্রে। অদুগা বুশান আইপার্ক অমদি দেগু এফ সী পাঞ্জল ২-২দা ড্রো চৎখ্রে।

গ্বাংজু ৱর্ল্ড কপ ষ্টেদিয়মদা গ্বাংজু এফ সীনা য়ূম্বু ওইদুনা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদকা লম্বা তৌনখিবা কোরিয়ন লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭শুবা রাউন্দগী মেচ অদু লম্বা তৌনরকপদা মেচকী ২৯শুবা মিনটতা গ্বাংজু এফ সীগী মায়কৈদগী ফিলিপেনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদপু ১-০দা মাঙজিল থাখি।

মেচ অদুগী মখা তারকপা অহানবা হাফকী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা গ্বাংজু এফ সীনা ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মেচকী ৮০শুবা মিনটতা গ্বাংজু এফ সীগী মায়কৈদগী জোং হুৱান কিমনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

শান্নবগী অরোইবা মিনটতা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনালটি অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় ষ্টেফান মুগুসানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

ঙসি সেংজু সিবিক ষ্টেদিয়মদা য়ূম্বু ওইখিবা সেংজু সাংমু অমদি এফ সী সিওল লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী মাঙওইননা সেংজু সাংমু মেচ তরুক শান্নখিবদা পোইন্ট ৮ ফংদুনা টিম ১২না লম্বা তৌনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা, টিম অদুগী লম্বা ওইখিবা এফ সী সিওল মমাঙগী মেচ তরুক্তা পোইন্ট তরুক ফংদুনা তরাশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লেংমান্নদুনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৪ চঙশিল্লকপদা সেংজু সাংমুগী মায়কৈদগী জিন হুৱাক কিমনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা এফ সী সিওলবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মখা তারকপা মেচকী মিনট ৯০ লোইশিল্লকপা ফাওবদা এফ সী সিওলগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংদনা টিম অদু সেংজু সাংমুগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীবা নংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা বুশান আইপার্কনা য়ূম্বু ওইরগা দেগু এফ সীগা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা ড্রো চৎখি। বুশান আইপার্ককী মায়কৈদগী জুং হিয়ুব লি অমদি রোমুলোনা পাঞ্জল চনখি অদুগা দেগু এফ সীগী মায়কৈদগীনা সেসিনা অমদি জিন হিয়ুন লীনা পাঞ্জল চনখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Jeonbuk FC | 7 | 6 | 0 | 1 | 12 | 4 | +8 | 18 |
| 2 | Ulsan Hyundai | 7 | 5 | 2 | 0 | 17 | 4 | +13 | 17 |
| 3 | Gangwon FC | 7 | 3 | 2 | 2 | 9 | 10 | -1 | 11 |
| 4 | Sangju Sangmu | 7 | 3 | 2 | 2 | 8 | 10 | - 2 | 11 |
| 5 | Pohang Steelers | 7 | 3 | 1 | 3 | 13 | 12 | +1 | 10 |
| 6 | Daegu FC | 7 | 2 | 4 | 1 | 12 | 7 | +5 | 10 |
| 7 | Gwangju FC | 7 | 3 | 1 | 3 | 7 | 7 | 0 | 10 |
| 8 | Suwon Samsung | 7 | 2 | 2 | 3 | 7 | 7 | 0 | 8 |
| 9 | Seongnam FC | 7 | 2 | 2 | 3 | 5 | 6 | - 1 | 8 |
| 10 | FC Seoul | 7 | 2 | 0 | 5 | 5 | 16 | -11 | 6 |
| 11 | Busan IPark | 7 | 0 | 4 | 3 | 6 | 11 | - 5 | 4 |
| 12 | Incheon United | 7 | 0 | 2 | 5 | 3 | 10 | - 7 | 2 |

# মিটর ১০০গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন খৃষ্টিয়ন কোলমেন দোপিং টেষ্ট য়াওখিদবগী সস্পেন্দ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ১৭ (এজেন্সী):
মালেমগী নুপাগী মিটর ১০০গী লমজেলদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা য়ু এস এগী এথলেট খৃষ্টিয়ান কোলমেন দোপিং টেষ্ট য়াওখিদবদগী এথলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিয়ন্না প্রোভিজনেল ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী এন্টি দোপিং য়ুনিটনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা খৃষ্টিয়ন কোলমেননা মখা তাবা কম্পিটিসন অমদি টুর্নামেন্ট অমত্তা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ২৪শুরবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন খৃষ্টিয়ন কোলমেননা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ৯দা শান্নরোয় অমনা দোপিং টেষ্টকীদমক থা ১২গী পেরদতা অহুমলকশুবা টেষ্ট তৌখি।

মমাঙদা শান্নরোয় অসিনা কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ১৬তসু দোপিং টেষ্ট অমা লৌগদবা অদু নংখিদবনি। লোয়ননা চহী অদুমক্কী এপ্রিল ২৬তা মখা তানা লৌগদবা টেষ্ট অমসু এদমিনিষ্ট্রেসনগী খুদোংচাদবা লৈবদগী টেষ্ট তৌবা ফংখিদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন খৃষ্টিয়ন কোলমেননা মখা তানা ফোঙদোরকপদা এন্টি দোপিং এজেন্সিগী মায়কৈদগী হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদা শুপ্নতগী ফোনদা ৱারী শারম্লবদি মহাক্কী ওইনা লৌখিবা সেম্পলশিং অদু দ্রগ য়াওই নৎত্রগা য়াওদে হায়বগী ৱারোল অদু ঙন্না খঙলম্বা য়াবনি। অদুবু এজেন্সিগী মায়কৈদগী মতাং মতম চানা পাউ পীরক্তবা অদুনা মহাক্কী মায়কৈদগীসু অৱাবা লৈখি।

নীংশিংবা য়াবদি খৃষ্টিয়ন কোলমেননা হৌখিবা চহী ২০১৯দা কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা নুপাগী মিটর ১০০গী লমজেলদা মকোক থোংবা ঙমখি।

য়ু এস এগী এন্টি দোপিং এজেন্সিনা খৃষ্টিয়ন কোলমেনগী দ্রগ টেষ্ট তৌবদা শরুক য়াখিদবা অদু টেক্নিকেলগী ওইবা অশোয়বা লৈবদগীনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখি। অদুবু নৌনা এথলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিয়ননা টেষ্ট তৌবা য়াওখিদবগীদমক সস্পেন্দ তৌখিবনি।

# এ আই এফ এফনা আই এম বিজয়নবু পদ্মশ্রীগীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ১৭ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না ইন্দিয়াগী মমাঙদা য়াম্না মরু ওইবা ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইরম্বা আই এম বিজয়নবু লৈবাক অসিগী সিভিলিয়ন এৱার্দকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবদা মরিশুবদা লৈরিবা পদ্মশ্রীগীদমক্তা রিকমেন্দ তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৫১শুরবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয় ওইরম্বা আই এম বিজয়ননা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনল মেচ ৭৯ শরুক য়ারকপদা গোল ৪০ হেন্না চনবা ঙমখি।

কুমজা ১৯৯৩, ১৯৯৭ অমসুং ১৯৯৯দা আই এম বিজয়নবু ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়নি হায়বগী মনা অদু পীখি। লোয়ননা কুমজা ২০০৩দা মহাকপু অর্জুন এৱার্দ পীদুনা মশান্না অসিগী ওইনা অফবা শান্নরোয়নি হায়বগী ইকায়খুম্নবা উৎখি।

এ আই এফ এফকী জেনরেল সেক্রেটরি কুসল দাসনা ফোঙদোরকখিবদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসতা শান্নরোয় আই এম বিজয়নগী মমিং পদ্ম শ্রী এৱার্দকীদমক্তা রিকমেন্দ তৌখি হায়বগী ৱারোল থমখি।

কুমজা ২০০০দগীনা ২০০৪ ফাওবদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ওইদুনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় বৈচুং ভুটিয়াগা য়াম্না চুশিন্নবা মওংদা শান্নবা ঙমখিবা আই এম বিজয়ননা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব মোহন বগান, কেরলা পুলিস, জে সী টি মিলস ফগৱারা অমদি অতোপ্পা ক্লব কয়াদা শরুক য়াখি।

কুমজা ১৯৯৯গী সাউথ এসিয়া ফেদরেসন গেমসতা আই এম বিজয়ননা ভুটানগা শান্নখিবা মেচতা শুপ্নগী সেকেন্দ ১২দা পাঞ্জল চন্দুনা মালেমগী ওইবা ইন্টরনেসনল ফুটবোল মেচশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থুনা পাঞ্জল চনবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি।

আই এম বিজয়ন হৌজিক হৌজিক কেরলাদা ফুটবোল একাদেমি অমা হাংদোক্তুনা নহাশিংবু ট্রেনিং পীরি।

# থা অসিগী ২৭তগী সাউথ অফ্রিকানা ক্রিকেট মশান্না শান্নবা হৌরগনি

মুম্বাই, জুন ১৭ (এজেন্সী):
মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা শান্নবগী ইভেন্ট পূম্নমক লেপ্তুনা লৈখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা লৈবাক খরদা ভাবক য়াওদনা শান্নবগী ইভেন্টশিং পাঙথোক্লরক্লিবা অসিগী মনুং চন্না সাউথ অফ্রিকানা থা অসিগী ২৭তা লৈবাক অদুদা ক্রিকেট মশান্না অমুক শান্নবা হৌগদৌরি।




সোলিদরিটি কপ হায়না মীংথোনবা ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২৭তা টিম অহুমনা শরুক য়াদুনা সুপরস্পোর্ট পার্টতা শান্নবা হৌগদৌরিবনি।

সাউথ অফ্রিকাগী মকোক থোংবা ক্রিকেট শান্নরোয় কয়ানা টিম অহুম থোক্লা খাইদোক্তুনা থল্লিবা সোলিদরিটি কপ অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

ইগলস টিম্বু এ বি দি ভিলিয়র্সনা কেপ্তেন ওইগনি। কিং ফিসর টিম্বু কাগিসো রবাদানা কেপ্তেন ওইগদৌরি। অদুগা অহুমশুবা টিম ওইরিবা কাইটসকী টিম অদুবুনা ক্লুইন্টোন দি কোকনা কেপ্তেন ওইগনি।

চহী অসিগী মার্চ থাদগী সাউথ অফ্রিকাদা থমখিবা লোকদাউনগী মতুংদা থা অসিগী ২৭তগী হৌগদৌরিবা সোলিদরিটি কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিনা অহানবা ফিল্দদা পাঙথোকপা শান্নবগী কম্পিটিসন ওইগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসি শান্নরোয় ৮না টিম অমগী মপুং ওইরগা মেচ অমদা ওভর ১২গী কম্পিটিসন্দা লম্বা তৌনগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসি ভাবক য়াওদ্রবসু সাউথ অফ্রিকাগী মমিং লৈরবা টেলিভিজনগী চেনেল সুপরস্পোর্টনা লাইভ কোভরেজ পীদুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মশান্না অসি পামজবা মীওইশিংদা উহনগদৌরি।

# কোচ অমদি টেক্নিকেল ওফিসলশিংগী রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা সিষ্টম হৌদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১৭ (এজেন্সী):
হোকি ইন্দিয়ানা হোকি মশান্না অসি হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক্তা কোচ অমদি মশান্না অসিগী টেক্নিকেল ওফিসলশিং রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা অনৌবা সিষ্টম অমা হৌদোকখ্রে।

হোকি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱারোলগী মতুংইন্না সোসল মিদিয়া অমদি অতোপ্পা মিদিয়াশিংগী খূথাংদা কেন্দিদেট অমনা মখোয়গী এপ্লিকেসনশিং অদু থাগৎলকপা য়াগনি হায়রি।

এপ্লিকেসন থাগৎখ্রবা কেন্দিদেট অমনা মখা তারকপদা হোকি ইন্দিয়াগী রেজিষ্টর তৌরবা মেম্বর য়ুনিট অমগী মখাদা কোচ নৎত্রগা টেক্নিকল ওফিসলগী ওইবা এপ্রুভল অমা লৌগদবনি। হোকি ইন্দিয়াগী মেম্বর য়ুনিট অদুনা এপ্লিকেসন অদু এপ্রুভ তৌরবা মতুং কেন্দিদেট অদুগী অরোইবা এপ্রুভল অদু হোকি ইন্দিয়ানা পীগনি হায়রি।

সোসল মিদিয়াগী খূথাংদা হোকিগী ওইনা কোচ ওইবা পাম্বা নৎত্রগা টেক্নিকেলগী ওফিসল ওইনীংবশিংনা ওনলাইনদা এপ্লাই তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা পীরকপা অসি য়াম্না ফজবা অমদি খুদোংচাবা অমা পীরে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

হোকি ইন্দিয়াগী মেম্বর য়ুনিট পোর্টেলদা এপ্লিকেসনশিং অদু অতোপ্পা মীওই অমগী নৎত্রগা এসোসিএসন অমগী মতেং য়াওদনা কোচ ওইনীংবা অমদি টেক্নিকেলগী ওফিসল ওইনীংবশিংনা ৱাদনা এপ্লাই তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা পীরিবা অসি হোকি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না চাউবা অমদি অনৌবা খুদোংচাবা অমা ওইহল্লি হায়না কোচ অমদি টেক্নিকল ওফিসল ওইনীংবা মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মুষ্টাক অহম্মদনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা রেজিষ্ট্রেসনগী খোঙথাং অসিনা মশান্না অসিদা তোঙানবা শাফু অমা পীবা ঙম্লগনি হায়রি।

সাম্রেটঁ / BRICK MISTRY অমসুং DRIVER পামজৈ

# তেরা বজার অমসুং শমুরৌ বজারগা য়াম্না নক্লনা লৈবা Brick Mistry 5 অমসুং Jugali 10 অথুবা মতমদা পামজৈ।
# 20 to 28 yrs ফাওবগী মনুংদা লৈবা Unmarried ওইবা Car Driver অনী অমসুং Local Tata Driver (22 to 45 yrs) অথুবা মতমদা পামজৈ।

Sd/- M.M. Singh
Mobile No. 8787727402

HL-P/7155/18

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com